# উখ্রুলদা খূঞ্জা মশেল ফূনবদা ৩ শিরে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জুন ৩০ঃ উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা খূল অনিগী খূঞ্জাশিংগী মরক্তা থোকখিবা ফূন-চৈনবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা খুল অমগী খূঞ্জা নুপা অহুম শিখ্রে।

মরকসিদা খূঞ্জাশিংগী মরক্তা মখা তানা পামদববা থৌদোক থোক্তনবগীদমক ডিষ্ট্রিক্ত পুলিসনা অকনবা ঙাকশেলগী থবক লৌখৎখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা থোকখিবনি।

ডিষ্ট্রিক্ত পুলিস হেডক্কার্টরসতগী নোংপোক মায়কৈদা কিলোমিতর কুন্থ্রারোম চৎলগা লৈবা লূংহার অমসুং সিহাই খূল্লেন খূঞ্জাশিংগী মরক্তা পামদবা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

থৌদোক্তুদা সিহাই খূল্লেনগী য়ামদ্রবদা খূঞ্জা অহুম শিখ্রে অদুগা অমনা অশোক-অপন নংবদগী মখা তাবা লায়েংগীদমক অথেংবদা মফম অদুদগী ইম্ফাল তম্না পুরকখ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা সিহাই খূল্লেনগী খূঞ্জাশিং অদুদি কে লাইতোন (২৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা য়ারপাম, পাম্রেয়ো (২৭) অপোকপা সারৈ অমসুং কে রাৱুং (৩১) নি। পাম্রেয়ো অমসুং রাৱুং মচিন-মনাওনি হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, লূংহর অমসুং সিহাই খুল্লেন অনি অসি থংননা লৈবনি। খূল অনি অসিগী মরক্তা **‘খাংরৈ’** হায়না খঙনবা লম অমা লৈ। মফম অসি ডিষ্ট্রিক্ত অসিগী নহাশিংগী **‘পিক্নিক স্পোট’** নি।

খূল অনিগী খূঞ্জাশিংনা **খাংরৈ** অসি মতম কয়াগী মমাংদগী মখোয়-মখোয়গী লমগী শরুক্তি হায়না মুন্নরগা লাকখি হায়রি।

ডিস্পুট ওইরিবা মফম অসিদা লম কোইবা লাকপশিং লূংহরগী খূঞ্জাশিংনা মফম অদুদা চংবা য়াবগী ইন্ত্রি-ফি লৌই হায়রি।

ঙসি সিহাইগী নুপা খূঞ্জা য়ামদ্রবদা নিফুরোম মফম অদুদা লম কোইবা লাকপদা পামদবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

লূংহরগী খূঞ্জাশিংনা সিহাই খূল্লেনগী লমকোইবা নহাশিং অদুদা টিকেট কক্লগা মফম অদুদা চংনবা হারুবদা সিহাইগী লমকোইবা নহাশিং অদুনসু মফম অদু মখোয়গী লমনি হারকপদগী নাকল অনিনা নিংঙাই শংদাইনবা হৌরকপদগী লমকোইবা লাকখিবশিং অদুগী মরক্তগী খঙহৌদনা নোংমৈ কাপথোরকপা হৌরকপদগী লূংহরগী খূঞ্জাশিং হৌদুনা থোরকপদগী ফূন-চৈনবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

থৌদোক্তুদা সিহাইগী ফাহৌবা খূঞ্জা মরিগী মনুংদা অমা মফম অদুদা শিখি। অহুম্না শাথিনা অশোক-অপন নংবদগী উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্ত হোস্পিতালদা পুরক্তুনা লায়কন্নখি। অদুবু খূঞ্জা অমা হোস্পিতাল অদু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি। মখোয়গী মনুংদা অহুম ইম্ফাল তম্না পুরকপদা অনিনা লম্বীদা শিখিবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা সিহাই খূল্লেনগী খূঞ্জা অহুমগী অশিবা হকচাং ডিষ্ট্রিক্ত হোস্পিপাল অদুগী মীরেল-শঙদা পুলিসনা থমখ্রে।

থৌদোকসিগী পাউ হেক ফংবগা উখ্রুল পুলিস ষ্টেসনগী তিম অমা মফম অদুদা চংশিন্দুনা ঈরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনখি। পুলিসনা মফম অদুদগী অশিবা হকচাং অদু মখোয়না পুরকখিবনি হায়রি।

মরকসিদা খূল অনিগী খূঞ্জাশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনরকপদগী মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক ডিষ্ট্রিক্ত পুলিসকী পার্সোনেল তরামঙা অমসুং অমসুং মফম অদুদা লৈবা ৪-বট্টালিয়ন এম আরগী রাইফলমেন তরাহুমদোই খূল অনিগী লোন্নবা ‘জিরো’ দা থাজিন্দুনা অকনবা ঙাকশেলগী থবক লৌখৎপগা লোয়ননা ডিষ্ট্রিক্ত হেডক্কার্টরস অসিদসু পুলিসগী পেট্রোল্লিং কুংনা চৎতুনা মীকুপ নাহুম শিংনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়দা ডিষ্ট্রিক্ত পুলিস অসিগী ওফিসার অমনা *নহারোলগী থৌদাং*- দা ফোংদোরক্লি।